# সরদার পতেল লৈরমদ্রবদি সোমনাথ টেম্পলদা চংনবগীদমক শিব ভক্তশিং ভিসা শোয়দনা চংলমগদবনিঃ পি এম



***কেবদিয়া (গুজরাত), ওক্টোবর ৩১ঃ***

গুজরাতকী কেবদিয়াদা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সরদার বল্লভভাই পতেলগী মীতম মায়খুম হাংদোক্লবা তুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী মথক্তা মরাল শিরিবশিংগী মথক্তা অকনবা পাউখুম পীদুনা চৈখ্রে।

কংগ্রেস লূচিংবা রাহুল গান্ধীদা নাকচেপ্তা চৈবা ওইনা উবা য়াবা লোন্দা অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, করিগুম্বা সরদার পতেলনা য়ুনিটিগীদমক থবক তৌরমদ্রবা তারবদি শিব ভক্তশিং ঙসি সোমনাথ টেম্পলদা লাই খুরম্বা চৎপা ফংলমলোইদবনি।

মীৎকুপ অমতং ৱাখলনা লাকশিন্দুনা য়েংউ মদুদি করিগুম্বা সরদার পতেলনা লৈবাক অসিবু অমত্তা ওইনা পূশিন্নবগী অচেৎপা পান্দমদা থবক তৌরমদ্রবদি ইন্দিয়ানশিংনা হৌজিক গির লায়োনশিং অমসুং তাইগরশিং য়েঙনবা ভিসা অমা লৌরম্বা তাবনি, অদুগা শিব ভক্তশিং সোমনাথ টেম্পলদা পুজা তৌনবগীদমক ভিসা অমগী মথৌ তারমগনি, হায়দরবাদতা লৈবা চারমিনর অদু য়েঙনবসু মীয়ান্না ভিসা অমগী মথৌ তারমগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

মহাক্না হায়খি, রাহুল গান্ধীগী মপুবোক জৱাহরলাল নেহরুনা লাইশং অদু অমুকহন্না শাবা ফাওবা পামখিদে। লাইশং অদু অমুক হন্না শান্নবগী থবক পায়খৎখিবদু সারদার পতেলনি। কুমজা ১০২৬ তা গজনিগী মহমুদনা সোমনাথ টেম্পল অদু থুগাইখি অমসুং লূৎ তৌখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তারদুনা হৌজিক ইন্দিয়ানা মশাগী অপাম্বা ফিরেপতা মালেমগা উনরি অমসুং ইকোনোমিক অমসুং মিলিটরি সুপরপৱার অমা ওইরকপগী লম্বীদা চংশিল্লি হায়খি। সদার পতেলনা উৎপীরমখিবা লম্বী অদুদা মাঙলোমদা চংশিল্লি।

ঐখোয় য়ান্না অশোনবা ওইনা উখিবা মতম অমা লৈখি অদুবু সরদার পতেলনা য়াম্না শোনবা মতৌ অদুবু পাঙ্গল থৌনা অমা ওইনা ওনথোক্লমখি–অচুম্বা লম্বীদু ঐখোয়দা উৎখি।

চিনাগী স্প্রিং টেম্পলদা লৈবা বুধগী মিতর ১৫৩ ৱাংবা মুর্তিদগী মিতর ২৯ হেন্না ৱাংদুনা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা মীতম ওইরবা মিতর ১৮২ ৱাংবা লৈবাক অসিগী অহানবা হোম মিনিষ্টরদা ইকাই খুন্নবা উৎপা ষ্টেচু ওফ য়ুনিটি অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি লৈবাক মীয়ামগী মফমদা কথোক্লদুনা হায়খি, ঐখোয়বু রাজস্থানগী কুচতগী নাগালেন্দগী কোহিমাগা শন্নহল্লিবা অদুগা জম্মু এন্দ কাস্মীরগী কার্গীলদগী তামিলনাদুগী কন্যাকুমারি ফাওবা শন্নহল্লিবসি সরদার বল্লভভাই পটেলগী অচেৎপা অনীংবা অদুগী মরমননি।

১৯৪৭ গী পার্টিসন অদুগী মতুংদা নীংথৌ পানবা লৈবাক ৫৫০ হেন্না ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা পূশিনহল্লকখিবদা হান্নগী দিপুটি প্রাইম মিনিষ্টর অদুনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরমখিবনি।

নর্মদা তুরেলদা শাধু বেত আইলেনগী মথক্তা শাবা ব্রোঞ্জগী মিতম অদু শাবদা লূপা ক্রোর ২,৩৮৯ চংখি।

# মোদি গভর্ণমেন্টকী করপসনগী হি হোনবা ঙম্লরোইঃ কংগ্রেস



***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১ঃ***

ইন্দিয়ানা ফ্রান্সতগী লৈবা রাফেল ফাইটর জেৎ ৩৬ অদুগী মমলগী মরিক চুম্বা ৱারোল পীখৎলক্কবা সেন্টরদা সুপ্রিম কোর্টনা হায়রকখ্রবগী মতুংদা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কংগ্রেসনা মোদি গভর্ণমেন্ট অসিগী ‘করপসনগী হী’ অদু মখা তানা হোনবা ঙমলরোই হায়খ্রে।

চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লূচিংবা জজ অহুম্না শাবা বেঞ্চ অমনা নুমিৎ ১০নীগী মনূংদা শিল কোভর অমগী মনূংদা হাপ্লগা মমলগী মরিক চুম্বশিং পীখৎলক্কবা সেন্টরদা খংহনখি। অদুবু ষ্ট্রেটেজিক ওইবা অমসুং কনফিদেন্সেল ওইবা পাউ ফোঙদোকপগী মথৌ তাদে হায়বা ৱাফম অদুদি য়াখি।

মোদি গভর্ণমেন্টকী করপসনগী হী অদু মখাতানা হোনবা ঙম্লরোই মরমদি সুপ্রিম কোর্টনা রাফেলগী মতাংদা অচুম্বা অদু খংবা পাম্লে। করপসন্না পীকথল্লবা বি জে পিগী গভর্ণমেন্ট মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন ফ্রী ওইনা লৈবা য়াররোই, একুজ অদু জে পি সি (জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কমিটি) অমদগী মখা তানা চেনবা ঙম্লরোই হায়না পাউমীশিংদা কংগ্রেসকী ৱাঙাংলোই মকোক রন্দীপ সুরজৱালানা হায়খি।


‘নুংশিরবা পি এম, মীয়ামগী ৱায়েনশংদা চানবীদুনা শন্দোক্না খংহল্লু, জে পি সি ইনভিষ্টিগেসন্দগী হৌজিক নখোইনা ইকাইদুনা থৈদোক্তুনা লৈরিবগী মরম করিনো? রাফেল স্কাম হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন অমগীদমক মপূং ফানা মুল্লে – মরাল থৈদোক্লবগী মরম অতৈ লৈশিল্লক্ত্রে!’ হায়না ট্যুটর অমদা মিষ্টর সুরজৱালানা মখা তাখি।

রাফেল ফাইটর জেৎ ১২৬ লৌনবগী দিল অমা য়ু পি এ গভর্ণন্টেনা মন্তিক্লিখিবগী মতমদা এয়ার ক্রাফ অমগী মমল ওইনা লেপখিবা লূপা ক্রোর ৫২৬ অদুগী মায়োক্তা হৌজিক গভর্ণমেন্ট অসিনা এয়ার ক্রাফ অমগী মমল লূপা ক্রোর ১৬৭০ পুদুনা লৈশিল্লে হায়রদুনা রাফেল দিল অসিদা পাক চাওনা অরানবা চথরে হায়না কংগ্রেসনা হান্নদগী হৌনা মরাল শিখিবনি।

রফেল এয়ারক্রাফ লৈনবগী মতাংদা এয়ারক্রাফ অদুগী মেনুফেকচরর দাসোরগীদমক ওফ সেট পার্টনর অমা ওইনা রিলায়েন্স দিফেন্সপু খনখিবগী মতাংদসু গভর্ণমেন্টকী মথক্তা কংগ্রেসনা চৈখি।

অদুবু কংগ্রেসনা শিরকখিবা মরাল অদু গভর্ণমেন্টনা থবৎ–থবৎ ককথৎখি অমসুং রিলায়েন্স দিফেন্স খনখিবা অদুদা গভর্ণমেন্ট অসিনা লৌগদবা থৌদাং অমত্তা লৈতে হায়খি।

# সরদার পতেলগী মপোক নুমিৎতা মীওই লিশিং কয়ানা ‘রন ফোর য়ুনিটি’ মরাথোন লমজেন চেনখ্রে



***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১ঃ***

ঙসি সরদার পতেলগী চহি ১৮৩ শুবা মপোক নুমিৎতা লূচিংবা অসিগী মফমদা কথোকপা রন ফোর য়ুনিটি কৌবা মরাথোন লমজেন অমা পাংথোক্লি।

হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর য়ুথ এফিয়ারস এন্দ স্পোর্ট রাজ্যাবর্ধন রাথোরনা ভারত মাতাকী জয় হায়বা মথোই কারবা খোল্লাও মরক্তা লৈবাক্কী কোনূং অসিদা রন ফোর য়ুনিটি লমথাখি। মদুদা মীওই লিশিং ১২ রোমনা শরুক য়াখি। স্কুল অঙাং লিশিং ৩ লোম, এক্স সার্ভিসমেন ৩০০ অমসুং সিনিয়ার সিটিজন কয়া য়াওখি।

শরুক য়ারিবশিংদগী লমজেলোই অমনা পাউগী এজেনসিদা ফোঙদোকপদা মরাথোন অসিদা শরুক য়াজবনা লৈবাক্কীদমক কয়াঅমা কথোকখ্রবা সরদার পতেলগী মফমদা ইকাইখুন্নবা উৎনবগী মাগী ঙমজবা অদুনি হায়খি। লমজেল অদু হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা রাজনাথ সিংহ অমসুং শরুকয়ারিবশিংনা সরদার পতেলগী লম্বী ইন্নবা অমসুং লৈবাক্কী অপূনবা ঙাক্তুনা থন্নবা ৱাশক অমা লৌখি।

আইরন মেন ওফ ইন্দিয়া হায়নসু খংনরিবা সরদার পতেলগী মিতম অসিগীদমক লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তগী আইরন খোমখি। মীতম অসি অকনবা নূংশিৎকী শাফু অমসুং শাথিবা য়ুহার হাবশিং খাংবা ঙমলগদবা অমনি।

সরদার পতেলনা য়ুনিটিগী শিম্বোল অমা ওইখি অমসুং মতম পূন্নমক্তা ওইদুনা লৈখিগনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খি।

ওরিশ্যাদা য়ুনিয়ন পেট্রোলিয়ম মিনিষ্টর ধরমেন্দ্র প্রধান না ভুবনেস্বরদা চেনবা মরাথোনদা শরুক য়াখি। দিফেন্স মিনিষ্টর নিরমলা সিটারমননা চেন্নাইদা রন ফোর য়ুনিটি অমসু শরুকয়াখি।

গুৱাহাটিদা য়ুনিয়ন হেল্‌ঠ মিনিষ্টর জে পি নদ্দা অমসুং অসাম চিফ মিনিষ্টর সরবানন্দা সোনোৱালনা মরাথোন লমথাখি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সুরেস প্রভু না গুরগাওদা রন ফোর য়ুনিটিগী থৌরমদা অপূনবগী ৱাশক লৌখি।

গুজরাটকী শাধু বেদ আইলেন্দা লৈরিবা ষ্টেচু ওফ য়ুনিটি অসিনা স্কৱার মিটির লিশিং ২০ হেনবগী লম কোনশিল্লি অমসুং স্কৱার কিলোমিতর ১২ গী খুৎশেমগী পাৎ অমনা কোইশিল্লি।

## মী ৪২ হাৎপগী কেসতা পুলিসমেন ১৬ চৈরাক ফংখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১ঃ***

উত্তর প্রদেসকী মীরুৎতা ১৯৮৭ তা খৎনা–চৈনবগী ইরাং অমদা মায়নোরিটি কমিটিগী মীওই ৪২ হাৎখিবগীদমক হান্নগী পুলিস পার্সোনেল ১৬ জেলদা পূন্সিচুপ্পা লৈনবগী চৈরাক পীখ্রে। ৱায়েল অদু পুরদুনা দিল্লি হায়কোর্টনা মিরুৎকী হাসিমপুর মসাকর অদু খূৎলাই পায়দবা অমসুং ঙাকথোক্লবা উপাই অমত্তা লৈতবা মীওইশিং অতমননা পান্দম থমদুনা হাৎপনি হায়খি অমসুং চেন্নবশিংবু মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা ট্রায়েল কোর্টকী রাই মথক–মখা ওন্থোকখি।

প্রোভিন্সিয়েল আর্ম কনষ্টেবুলরি (পি এ সি)গী হান্নগী পার্সোন্নেল ১৬পু মী হাৎপা ফাবা লৌতুনবা অমসুং খুদম চাংদম মাংহনবগীদমক হায়কোর্টনা কনভিক্টসন পীখি। মখোয় পূন্নমক অদু নবেম্বর ২২ ফাওবগী মনূংদা সরেন্দর তৌরক্কদবনি হায়খি।

## ঈচাওদগী চেকশিন্না লৈনবা ইন্দিয়াদা চিনানা খংহল্লকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১ঃ***

ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী মথকলেমদা টিবেত্তা লৈবাক নীংখাইবা অমনা ঈচেল থিংজিনখিবদগী অরুনাচল প্রদেসতা ব্রহ্মপুত্র তুরেলদা থোরকপা য়াবা ঈশিং–ঈচাওগী ফীভম অমগীদমক থাখাই অমগী মনূংদা অনীরক শুবা ওইনা চিনানা ইন্দিয়াদা চেকশিন্না লৈনবা খংহল্লকখ্রে হায়না ৱাটর রিসোর্সেস মীনিষ্ট্রিগী সেনিয়ার ওফিসার অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক নীংখাইবা অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা খূৎশেমগী পাৎ অমা শেম্বা অদুগী চেকশিন ৱারোল অমা নীংথৌকাবগী অথেঙবদা ইন্দিয়াদা পাউ পীদুনা খংহল্লকখ্রে। পাউ অদু দিপ্লোমেটিক চেনেলশিং অমসুং ব্রহ্মপুত্রগী হায়দ্রোলোজিকেল দাতা চিনাগা পূন্না খংমিন্নরিবা মেকানিজম অদুগী মখাদা তোঙান তোঙান্না খংহল্লকখিবনি।

# সাউদিনা লূচিংবা কোলিসনা য়েমেন পোর্টতা লান্মী লিশিং কয়া থাজিনখ্রে



*য়েমেনগী কোনূং সানা অমসুং হোদৈদা পোর্ট খুদুম চন্দুনা লৈরিবা হুথি রিবেলশিং*

***এদেন, ওক্টোবর ৩১ঃ***

য়েমেনদা সাউদি অরাবিয়ানা লূচিংবা মিলিটিরি কোলিসননা অনৌবা এটেক অমা চথগদবগী মাংওইননা য়েমেন্না পায়দুনা লৈরিবা মরুওইবা হিথাংফম সিটি অমা তন্না অচৌবা লান্মী লিশিং ১০ হেন্না থাজিনখ্রে হায়না ঙরাং য়েমেনগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ খরনীগী মনূংদা হোদৈদাদা চথনবা থৌরাং তৌবা অনৌবা অটেক অমগী মাংওইননা প্রো– কোলিসন অসিনা রেদসি তোর্ব্বানদা অহেনবা ফোর্সশিং থাজিনখ্রে হায়না মিলিটিরি ওফিসিয়েল অমনা পাউগী এজেনসি অমদা হায়খি।

ইরান্না ঙাকলৌ পীবা রিবেলশিং অদুদগী অমুকহন্না লৌশিল্লবা মফমশিং অদুসু মখোয়না শোয়দ–ঙামদবা মফমশিং ওইহনগনি। অদুগা কোলিসন অসিদা য়াওরিবা সুদানদগী ফোর্সশিংনা সিটি অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিং ঙাক–শেন্নবা চংশিনখ্রে হায়খি।

পাউগী এজেনসিদা গভর্ণমেন্ট মিলিটিরি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকপদা হৌখিবা নূমিৎ ১০নী রোমদগী হৌনা হৌদৈদা সিটিগী বিল্ডংশিংগী য়ুমথকশিংদা হুথি রিবেলশিংনা মখোয়গী ফাইটরশিং ফিভম শেমদুনা থমখ্রে হায়খি। হেক থংনরিবা হিথাংফম অদু চাকতাংবা মায়োক্লবগী ফিভম লৈরবা লায়রবা লৈবাক অসিদা পুশিল্লকপা পোৎশিংগী মরীথোকপগী শরুক অহুমগী চঙলকফমনি।

য়েমেনগী কোনূং সানা য়াওনা টেরিটোরি কয়াদগী হুথি রিবেলশিংনা তাম্থোক্লকখ্রবা প্রসিদেন্ট অবেদ্রাববো মানসুর হাদিগী গভর্ণমেন্টতা শৌগৎতুনা সাউদি অরাবিয়া অমসুং মসিগী খেঙলোইশিংনা ২০১৫ দা য়েমেনদা খূৎ থিংজিনখিবনি।

সাউদি অরাবিয়াননা লূচিংবা মিলিটিরি কোলিসন্না য়েমেনগী অয়াম্বা মফমদগী রিবেলশিংবু তকথোক্লবা এয়ার পৱার শিজিন্নখি, অদুবু হৌথিশিং অদুনা হোদৈদা অমসুং লৈবাকসিগী কোনূং সানা পায়দুনা লৈরি।

সেপ্টেম্বর থাদা য়ু এন না ঙাকক্লৌ পীদুনা ৱারী শান্নবা কায়খ্রবা তুংদা কোলিসন্না হোদৈদা অমুকহন্না এটেক অমা চথরে হায়না লাওথোকখি। অদুবু হৌখিবা চয়োলগী নোংথক এটেকশিংদা মীচম ময়াম অমা শিখি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হায়খি। হৌথি রিবেলশিংনসু মীচমশিং শিখিবা এটেকশিং অদু সাউদিনা লূচিংবা কোলিসনদা মরাল শিখি।

# কাবুল জেল মনাক্তা সুইসাইদ এটেকতা ৭ শিখ্রে

***কাবুল, ওক্টোবর ৩১ঃ***

লালনা চাহৎলবা অফগানিষ্টানদা খ্বাইদগী নৌবা মিলিটেন্ট এটেক্তা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা জেলগী ইপ্লোইশিং পুরকপা বস অমদা পান্দম থমদুনা ঙসি চথরকখিবা সুইসাইদ এটেক অমদা য়ামদ্রবা মীওই ৭ শিখ্রে।

কাবুলদা পুল–ই–চারখি প্রিজন গী ষ্টাফ পুরকপা গারী অদুনা জেল অসিগী মনাক য়ৌশিল্লকপদা এটেক অদু চথরকখিবনি মদুদা অতোপ্পা ৫ অমসু শোকখি হায়না পুলিসকী ৱাঙাংলোই বাসির মুজাহিদনা হায়খি।

অফগান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট ৱাকরশিংদা তালিবা অমসুং আই এস না এটেক তৌবা হেনগৎতুনা হৌখিবা থা খরা অসিদা ইলেক্সনগা মরি লৈনবা হীংশাগী থৌদোক কয়াদা মীওই চা কয়া শিখি নৎত্রগা শোকখি।

মতম কুইনা থেঙথদুনা লৈরক্লবা লৈবাক অসিগী পালিয়ামেন্টরি মীখল অদু থা অসিদা নুমিৎ হুন্নি চুপ্না পাংথোকখি। অদুবু মদু চরাংনবা অমসুং মীশি–মীনা থোকপা এটেকশিংনা মশক থিহনখি।



ওক্তোবর ২০দা ভোত থাদবা হৌগদবগী নুমিৎ নিনিগী মমাঙ খা মীফম অমা ফল্লিঁডদা গার্দ অমনা চথখিবা এটেক অদুদা মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা যু এস জেনরেল স্কোট থংবা কন্দহার প্রোভিন্সিতা শক্তি লৈরবা পুলিস চিফ, জেনরেল অবদুল রজিক য়াওনা মকোক থোংবা মীওই ৩ তালিবান্না কাপ্তুনা হাৎখি। অৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিটি মিল্লর নাথোক্লকখি। মহাক এটেক অদুগী মাংওইননা মীফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিবনি। অদুবু য়ু এস ব্রিগেদিয়ার জেনরেল জেফ্রি স্মাইলি অশোক অপন নংখি।

### হেলিকোপ্টর ক্রাসতা মীওই ২৫ শিখ্রে

***হেরাট, ওক্টোবর ৩১ঃ***

ঙসি নোংচুপ থংবা অফগানিষ্টানদা মীওই ২৫ তোংখিবা আর্মি হেলিকোপ্টর ১ ক্রাস তৌবদা তোংখিবা পূন্নমক শিখ্রে। হেলিকোপ্টর অদু নোং–চীংগী ফীভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা অনার দারা দিষ্ট্রিক্তা ক্রাস তৌখিবনি হায়না ফারাহা প্রোভিনসিয়েল গভর্ণরগী ৱাঙাংলোই নাসির মেহরিনা হায়খি। অদুবু তালিবান্নদি হেলিকোপ্টর অদু মখোয়গী ফাইটরশিংনা কাপথবনি হায়খি।

# নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার অমসুং মিসাইলশিং ইন্টনেসনলে ইন্সপেক্টরশিংদা য়েংহন্নবা থৌরাং তৌখ্রে

***সিওল, ওক্টোবর ৩১ঃ***

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার অমসুং মিসাইল টেষ্ট সাইট কয়ামরুন্দা ইন্টরনেসনলে ইন্সপেক্সনশিং তৌহন্নবগীদমক লৈবাক অসিনা থৌরাংশিং তৌরে হায়না সাউথ কোরিয়াগী স্পাই এজেনসিনা ইঙ্গিৎ পীরকখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়া লোমেকর অমগী ৱাফম পল্লদুনা য়োনহাপ নিউজ এজেন্সিনা হায়খ্রে।

ইন্টিলিজেন্স ওফিসিয়েলশিংনা পুংগ্যে–রি ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট সাইট অমসুং সোহি সেটিলাইট লোঞ্চিং গ্রাউন্দদা পাংথোক্লবা য়াবা ইন্সপেক্সনশিংগীদমক তৌবা থৌরাংশিং ওইনি থাজবা উরে হায়না ইটিলিজেন্স ওফিসিয়েলশিংনা ইঙ্গিৎ পীরকখ্রে হায়না পাউমিশিংদা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা দেমোক্রেটিক পার্টিগী কিম মিন–কিনা হায়খি।

সাউথকী নেসনেল ইন্টিলিজেন্স সার্ভিসনা ফোরেন ইনস্পেক্তরশিং লাক্কদবগী থৌরাংশিং ওইবা মানবা থবকশিং নোর্থ কোরিয়ানা চথবা উরে হায়খি। হৌখিবা চহিদগী হৌনা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার অমসুং মিসাইল টেসষ্টিং পাংথোকপা লেপখ্রবনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1322**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | | | | | 1 | 8 | 5 | |
| | 7 | | | | 3 | | 1 | |
| | | | 4 | | 2 | | 9 | 7 |
| | 5 | | 8 | | | | | |
| | 2 | 6 | | | | | | 3 |
| | | 7 | 5 | | | | | |
| | | 9 | | | | 2 | 8 | |
| | 3 | | | | 7 | | | 1 |
| | | 2 | 6 | | | | | |

**সনা–সুদোকু –১৩২১ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 9 | 8 | 4 | 2 | 1 | 7 | 6 | 5 |
| 4 | 6 | 5 | 8 | 9 | 7 | 3 | 1 | 2 |
| 7 | 2 | 1 | 5 | 6 | 3 | 9 | 4 | 8 |
| 6 | 7 | 4 | 2 | 3 | 9 | 8 | 5 | 1 |
| 9 | 8 | 3 | 1 | 5 | 6 | 4 | 2 | 7 |
| 5 | 1 | 2 | 7 | 4 | 8 | 6 | 3 | 9 |
| 1 | 3 | 9 | 6 | 7 | 2 | 5 | 8 | 4 |
| 2 | 5 | 7 | 3 | 8 | 4 | 1 | 9 | 6 |
| 8 | 4 | 6 | 9 | 1 | 5 | 2 | 7 | 3 |


**খুদোংচাবা লৌবীয়ু!!** **খুদোংচাবা লৌবীয়ু!!**

ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ ꯂꯧꯕꯤꯌꯨ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ ꯂꯧꯕꯤꯌꯨ

**“ফনেক চপচরি অমসুং কম্পুটরাইজ ফনেক অহোংবা মমলদা লোঞ্জরি”**

ফনেক, ফনেক মপান নাইবা, ফৈজোম, খুদৈনচিংবা মেছিন শিজিন্নদুনা Flatwork তৌজরি। লোয়ননা Computerised Embroidery Machine শিজিন্নদুনা ফনেক মপান নাইবা অহোংবা মমলদা লোঞ্জরি অদুদসু নত্তনা মখল কয়াগী মণিপুরগী Handloom গী পোত্থোকশিংসু ফংবিগনি।

Sd/-
M/s Chaning Flatwork Ironer/ Embroidery Industry
Khongman Mayai Leikai Zone - IV
Ph No:- 8014317969/ 8794596217

*SL/BILL/ ALT. 15 DAY*


## GAS TODAY

**Khumbong Gas**
Booking : 27/09/18
Valid : 25/09/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Hiyangthang Indane Gas**
Booking : 24/08/18
Valid : 20/08/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Misao Gas**
Booking : 30/08/18
Valid : 24/07/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Maibia Gas (Moirang)**
Booking : 10/08/18
Sl. No. : 3960
Valid : 04/08/18
Sl. No. : 2934
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**K & K Indane Gas (Rs. 998.50)**
Booking : 13/09/18
Valid : 30/08/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Mahalakshmei Indiane Gas**
Booking : 07/08/18
Valid : 30/07/18
Sl. No. : 226902
Stk : 306
Time : 09.00 a.m to 02.00 p.m

**R & H Indane Gas**
Booking : 31/06/18
Valid : 21/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 p.m

**Swombung Gas**
Booking : 20/08/18
Valid : 27/07/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Imphal L.P.G.**
Booking : 18/09/18
Valid : 08/08/18
Stk : 612
Sl. No. : 25737 (5kg Aval.)
Time : 08.00 a.m
(After advance Q)

**R.B.D. Gas**
Booking : 07/08/18
Valid : 22/07/18
Stk : CTC 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Leibaklei Gas**
Booking : 15/07/18
Valid : 02/07/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Khongnang Bisnupur (Ningthoukhong)**
Booking : 30/07/18
Valid : 26/07/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**M. M. Gas**
Booking : 08/08/18
Valid : 28/07/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**J Rongmei Gas**
Booking : 21/08/18
Valid : 18/08/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 26/07/18
Valid : 25/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Canchi Gas**
Booking : 20/08/18
Valid : 15/08/18
Stk : 306 (5 kg Aval)
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Khoriphaba (Nambol)**
Booking : 20/08/18
Valid : 15/08/18
Sl. No. : 4940
Stk : 306 CTC
Time : 06.30 to 09.30 a.m